**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-10-2017)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী পাউ**

**(তাং ১৭-১০-২০১৭,লৈবাকপোকপা)**

**----সিগনেচরট্যুন----**

**অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি**

**অহানবদা মরুওইবা পাউ**

১) ফিফা অন্দর সভেন্তিন ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী শান্নরোইশিংদা সরকারনা লুপা লাখ মঙা-মঙা পীখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ আয়ুরবেদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নরগনি।

**অমসুং**

৩) জর্ম্মনি অমসুং আমেরিকা ফিফা অন্দর সভেন্তিন ৱার্ল্ড কপকী ক্বাটর ফাইনেল চংলে।

**--সিগনেচরট্যুন--**

**ফুটবোল্লর (এল)ঃ** চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী ফুটবোল শান্নরোইশিংবু ঙরাং রাজ্যপাল-ডা: নজমা হেপ্তুলানা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা তরামা ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা হায়-ফুটবোল মশান্না অমসুং মনিপুরগী পোলো মশান্নবু হেন্না য়োকখৎনবগী পান্দমদা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটকুমা হেন্না প্রমোদ তৌনবা সরকারনা হোৎনরি। মসিগী মতাংদা হন্দক্তা দিল্লিদা চৎতুনা মরি লৈনবা ওফিসিএলশিং উন্নদুনা মহাক মশামকা তকশিল্লুরে। রাজ্যপালনা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং অমসুং মমা মপাশিংবু থাগৎপা
ফোংদোকখি।

তুংদা, ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা শান্নরোইশিং অদুদা লুপা লাখ মঙা মঙাগী চেক মনা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-শান্নবদা থোইবা নৎত্রগা পোবা হায়বসি মহৌশানি। অদুমওইনমক, অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াবা ফংবদা মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অমসুং মখোয়গী থৌনা লিংজেল অদুবু রাজ্য সরকারনা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমৈ। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ঙরাং শান্নরোইশিং অসি ওকপগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**হেন্দলুম (এল) ঃ** টেক্সতাইল, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-থোঙাম. বিশ্বজিৎ সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি চাউখৎহন্নবগীদমক ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি অমা শেমবা সরকারনা হোৎনরি।

ইম্ফালগী পাউনা বজারদা ঙরাং খুৎনা হকপা অমদি লোনবা ফি-রোলগী মেলা অমা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- সরকার অসিনা মীরৈবাক্কী শেল থাদবা মীওইশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা অমসুং লমদম অসিগী ইন্টরপ্রেন্যুরশিংবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। মনিপুরদা মহৌশাগী ওইবা মচাক, হৈথোই শিংথোইরবা মীওইশিং মতিক চানা লৈ।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইলসগী দাইরেক্তর-কে.লামলি কামৈনা হায়- দিৱালি অমসুং নিঙোল চাক্কৌবগী য়েংলগা মতম চুপ্পগী ওইনা

হাংগদৌরিবা মেলা অসিদা পোৎ লৈবদা দিস্কাউন্ট অমদি ওফরগী খুদোংচাবা পীগনি। লমদম অসিগী ফিশাবিশিংনা পুথোকপা পোৎথোকশিং মীয়ামা লৈদুনা মখোয়বু পুকিং থৌগৎপীনবা লামলি কামৈনা আপিল তৌরি।

**মন্ত্রি (এল) ঃ** কেন্দ্রগী এক্সটরনেল এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি এম.জে. অকবর ঙসি ইম্ফালদা লাক্কনি। মহাকা ইম্ফালগী দি.এম. কলেজদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা পাংথোক্কদবা মুদ্রা প্রমোসন কেম্পেনদা শরুক য়াগনি।

কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি রামকুপাল য়াদবসু ঙসি ইম্ফালদা লাক্কনি হায়রি।

**এরেষ্ট (এল) ঃ** মোরে পুলিসনা ঙরাং মোরে গেট নম্বর টু মনাক্তগী প্রিপাক প্রোগী সার্জন মেজর অমা ফারে।

তেংনৌপলগী এস.পি. ডা: এস. ইবোমচা সিংহগী মীৎয়েং মখাদা থিবা হুম্বগী থবক চৎথবদা মীওই অদু ফাবনি। ফারবা মীওই অদু লুপ অসিগী চিফ ওফ আর্মি রাকেশকী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি।

**পি.এম. ঃ** নেস্নেল আয়ুরবেদা নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী সরিতাবিহারদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ আয়ুরবেদা হৌনবী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

এইমসকা মান্নবা থাক্তা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ আয়ুরবেদা (এ.আই.আই.এ) অসি লিংখৎপনি। ইনষ্টিট্যুট অসিনা লৈবাক অসিগী অরিবা লাইয়েং কাংলোনশিংগা হৌজিক মতমগী অনৌবা লাইয়েং পথাপশিংগগী মরক্তা কুপা থিজিনদুনা হেন্না ফবা লাইয়েংবগী মওং পুথোকবা হোৎনরি। অয়ুস মন্ত্রালয়গী মখাদা এ.আই.আই.এ অসি এপেক্স ইনষ্টিট্যুট অমা ওইনা লিংখৎপ নি।

ইনষ্টিট্যুট অসি লিংখৎখ্রবা মতুং য়ামা অতেনবা মতমগী মনুংদা জাতি অমসুং মালেমগী থাক্তা রিকোকনেসন কয়া ফংখ্রে।

**ৱার্ল্ডকপ ঃ** ফিফা অন্দর সভেন্তিন ৱার্ল্ড কপতা জর্ম্মনি অমসুং আমেরিকা ক্কাটর ফাইনেল চংখ্রে।

ঙরাং ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা প্রিক্কাটর ফাইনেলদা জর্ম্মনিনা কলম্বিয়াবু পাঞ্জল ৪-০ দা মাইথিবা পীখি। ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা নুমিৎদাংগী পুং ৮ দা শান্নখিবা অনিশুবা প্রিক্কাটর ফাইনেলদা আমেরিকানা পেরাগ্বেবু পাঞ্জল ৫-০ দা মাইথিবা পীখি।

ঙসি শান্নগদবা প্রিক্কাটর ফাইনেল মেটচশিংদা গৱাদা ইরানগা-মেক্সিকোগা থেংনগনি। গুৱাহাতিদা ফ্রান্সকা স্পেনগা থেংনগনি। ইংলন্দগা জপানগা কোলকতাদা শান্নগনি অমসুং মালিগা ইরাকা-গৱাগা শান্নগনি।

**--তাবিরিবা পাউ অসি অকাশবনি ইম্ফালদগীনি--**

ইম্ফালদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা খন্ননবা, ইচেল এক্সপ্রেসকী এদিটর অহোংশাংবম মোবি অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎ ৱাহেংবম ৱাশিংটন লৈরে।

**--ৱাশিংটন--**